# লোকদাউনগী অথিংবা থুগাইদুনা থোরকখিবা মীওইশিংগা পুলিসকা মুক্কবদা ৩ শোকখ্রে



ধাকা, এপ্রিল ০৬ (এজেন্সী) :
বংলাদেশতা নুমিৎ ৭ নিগী ওইনা লোকদাউন লাউথোকখ্রবা মতুং লোকদাউনগী অথিংবশিং থুগাইদুনা থোরকখিবা মীওইশিংগা পুলিসকা মুক্করকপদগী য়ৈখাই থিনগাইবগী থৌদোক থোকখ্রে। পুলিসনা মীয়ামগী ঈরাং অদুবু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা নোংমৈ কাপ্পদগী মীওই অহুম শোক্লে হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা পুলিস অমসুং ডোক্টরশিংনা ফোঙদোরকখিবদা থৌদোক অদু ফরিদপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা সালথাদা থোকখিবনি। কোভিদ-১৯ শনে দারকপা থিংনবগী পান্দমদা লৈবাক পুম্বদা লোকদাউন লাউথোকখ্রবা মতুং মীওই খরা মদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা কৈথেল অমদি দুকান হাংনবা হোৎনখি। মদুদা পুলিসনা মীওইশিং অদুবু খাম্নবা হোৎনবদা দুকান মপু অমা অশোক অপন নংখি। মদুদগী খোইশাওনরবা মীওই কয়া থোরক্তুনা পুলিসকা মুক্কবা হৌরকখি।

মীওইশিং অদুনা পুলিস ষ্টেসন তম্না নুঙ অমদি চেকশিং লঙশিল্লকখি অমদি মনাক নক্লবদা লৈবা গভর্ণমেন্ট ওফিসশিং থুগাইনবা হোৎনখি। মদুদগী হেন্দোক্তুনা গভর্ণমেন্ট ওফিসেলশিংগী য়ুম অমদি কারশিংদসু মীয়াম অদুনা নুঙ অমদি চেকতুম লঙশিন্দুনা এটেক চথুখি।

মশীং য়াম্লবা মীয়াম অদুনা পুলিস ষ্টেসন অমদি গভর্ণমেন্ট ওফিসলশিংগী য়ুম অমদি প্রেপরটিশিংদা এটেক চথুরকখিবা অদু ঙাকথোক্লবগীদমক পুলিসনা নোংমৈ কাপখি।

পুলিসকী মায়কৈদগী থৌদোক অদুদা মীওই কয়া শোকখিবগে হায়বগী মতাংদা চপ চানা ফোঙদোরকপা লৈত্রি। অদুবু অব্দুল মতিন কৌবা ডোক্টর অমনা ফোঙদোরকখিবদা ফরিদপুর মেদিকেল কোলেজ হোস্পিটালদা মীওই অহুম নোংমৈনা পানবদগী পুখৎলক্তুনা লায়কন্নরি। মখোয় অহুমদুগী মনুংদা অমনা নিঙ্গোংদা নোমৈ মরু অনী পানখি। অতোপ্পা অমনা মথবাক্তা অদুগা লেমহৌরিবা অদুনা মখোঙ অনীমক্তা নোংমৈনা পানখি হায়রি।

# ইন্দোনেসিয়া অমসুং ইষ্ট টিমোরদা ঈশিং ঈচাওনা শিহনখিবা মী মশিং ১৫০ হেনখ্রে

জকারটা, এপ্রিল ০৬ (এজেন্সী) :
হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা ইন্দোনেসিয়া অমসুং ইষ্ট টিমোরদা চুখিবা অকনবা নোংনা থোকহনখিবা ঈশিং ঈচাও অমদি চিঙ নিংখায়বগী থৌদোক্না মরম ওইরগা হৌজিকফাওবদা পুন্না মীওই ১৫০ হেন্না শিহনখ্রে অমদি কয়া অমনা ময়ুম মকৈ লৈহনখিদ্রে হায়রি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ইন্দোনেসিয়াগী দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এজেন্সিনা ফোঙদোরকখিবদা, লৈখোম লৈনাং য়াওবা ঈচাও অদুনা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎ ফাওবদা মীওই ১৩০ শিহনখি। মখা তানা মী কনবগী থবক চথুরিবা মীওইশিংনা লৈখোম লৈনাং মরক্তা চখুখিবা থি হুন্থগী থবক্তা মীওই ২৭ কী অশিবা হকচাংসু থেংনখিবনি।

লাইবক থিবা থৌদোক অদুনা মীওই ১৫০ হেন্না শিহনখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা কনফার্ম তৌখিবগা লোয়ননা মীওই ১০,০০০ হেন্না লৈফম লৈহনখিদ্রে অমদি কয়া অমনা থিবা ফংদনা লৈরি। থিবা ফংদনা লৈরিবা মীওইশিং অদু মখা তানা ইষ্ট টিমোরগী মনুং হঞ্জিনবা মফমদা লৈবা চীং মনাক্তা থিবগী থবক চথুরি। হায়রিবা মফম অসিদা থিবা ফংদনা লৈরিবা মীওইশিং অদু লৈখোম লৈনাংনা ফুমজিল্লম্বা য়াই হায়না থাজনরি।



ঈচাও থোকখ্রবা মফমশিংদগী মীওই কয়া শাফগদবা মফমশিংদা চেন্থোক্লরক্লি। অদুবু মখোয় মশাদা অচোৎপা মফি মরোলশিং অদুখক নত্তনা অতোপ্পা পোৎ চৈ অমত্তা লোয়নরক্তে। মখোয়শিং অদুনা লৈনবা মফমশিং শিল লাংবা অমদি চানবা পোৎলমশিং খুদক্কী ওইনা পীনবা হোৎনবদা ওথোরিটিশিংদা খুদোংচাদবা কয়া ময়োক্লরি হায়না মফমদুগী দেপ্যুটি মেয়র ওলা লোঙাদেনা ফোঙদোরক্লি। ঈচাওনা চৈথেং পীখ্রবা মীওইশিং অদুগী হেল্থ চেক অপ তৌবসু মথৌ তারি অদুবু মফমদুদা দোক্টর মশিং য়াম্না লৈতবনা মরম ওইরগা মনাক নকপদা লৈবা সিটিশিংদগী অহেনবা দোক্টর অমদি নর্সশিং মফমদুদা থাররক্লবা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখ্রে হায়না ওলানা মখা তারি। অমরোমদা ওথোরিটিশিংনা লৈবাক অদুদা কোভিদ-১৯ শন্দোকপা থিংনবা হোৎনরিঙৈ মরক অসিদা ঈচাও অসিনা অমুক্কা হেন্না খুদোংচাদবা কয়া ময়োক্লহল্লে। অদুবু পায়খৎফম থোকপা চেকশিন থৌরাংশিংদি অদুম্মক পায়খৎলি হায়রি।

# ‘চরা হেনবগী খোঙজং মখা তানা চঙশিনখিগনি’

মোস্কো, এপ্রিল ০৬ (এজেন্সী) :
জেলদা থম্লিবা ক্রেমলিনগী অইবা এলেক্সে নভালনিগী ফীভম শোকচিল্লক্লবসু মহাক্কী চরা হেনবগী খোঙজংদি মখা তানা অদুমক চথুখিগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

মমাং চয়োলদগী হৌরগা অইবা অসিনা জেলদা মহাক্কী মেদিকেল ট্রিটমেন্ট ফজনা তৌবিদ্রে হায়না ওথোরিটিদা মরাল শীখিবগা লোয়ননা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিনবা হৌখিবনি। চরা হেল্লিঙৈ মনুংদা মহাক্কী মশা শোকচিল্লকপদগী লোক খুবা অমদি লাইহৌ হৌদুনা হৌজিক হৌজিক জেলদা লৈরি।

মশাগী চহী ৪৪ রোম শুরবা অইবা অসিনা ফোঙদোকখিবদা জে লদা লৈরিবা ডোক্টরশিংনা মঙোন্দা মহাক্কী খ্বাংগী শরুক নারিবা অদুগী য়েংলগা পেন কিল্লর খক্তমক পীজরি। জেলদা মতম খরা মহাক্না লৈরকখিবা অসিদা মশাগী অরুম্বা কিলো ৮ রোম হন্থখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা জেলদা লৈরিবা ডোক্টরশিংদা কয়ারক হন্না খঙহনখ্রবসু ডোক্টরশিংনা নিংথিনা ট্রিটমেন্ট তৌদবদগী চরা হেনবগী খোঙজং অদু চঙশিনখিবনি।

অমরোমদা প্রো ক্রেমলিন ইষ্টভেটিয়া দেল্লীনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না নভালনিবু মপুং ফাবা ট্রিটমেন্ট পীনবগীদমক অতোপ্পা মেদিকেল য়ুনিট অমদা ট্রান্সফর তৌখ্রে। মহাক শ্বর হোনবদা নুংঙাইরক্তবা অমদি মশা কা হেন্না শাগৎলকপদগী অতোপ্পা য়ুনিটতা ট্রান্সফর তৌখিবনি। কোরোনা ভাইরস টেষ্ট য়াওনা অতোপ্পা টেষ্ট কয়াসু পাঙথোকখ্রে হায়রি।

অদুমওইনমক জেল ওথোরিটিগী মায়কৈদগী নভালনি অতোপ্পা মেদিকেল য়ুনিটতা ট্রান্সফর তৌখিবগী চপ চাবা পাউ অমত্তা খঙহল্লকপা লৈত্রি। জেল ওথোরিটিগী মায়কৈদগীদি নভালনিগী ফীভম তেক্তা কায়দনা লৈরি হায়না ফোঙদোরক্লি।

# য়ুক্রেন বোর্দরদা রুসিয়ানা চথরিবা থবক থৌওংশিং কুপ্না য়েংশিল্লি

লন্দন, এপ্রিল ০৬ (এজেন্সী) : ক্রিমিয়া অমসুং য়ুক্রেনিয়ন বোর্দরগী শরুক্তা রুসিয়ানা চথরিবা থবক থৌওংশিংগী মতাংদা য়ু কেনা য়াম্না কুপ্না য়েংশিল্লি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জে ান্সননা ফোঙদোরক্লি।

য়ুক্রেনিয়ন প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিগা ফোনগী খৃথাংদা ৱারী শান্নখিবদা প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সননা য়ুক্রেনগী সোভেরেন্টি অমসুং টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটিগী মতাংদা য়ু কেনা মপুং ফানা সপোর্ট তৌরি হায়না খঙহনখিবগা লোয়ননা য়ুক্রেনদা থোরকপা ঙমখৈগী শরুক্কা মরী লৈনবা থবক থৌরম খুদিংমক্তসু য়ু কেনা মতম চুপ্পদা মতেং পাংগনি।

য়ুক্রেন লৈবাক্কীদমক জি ৭ নেসন্সনা মতম চুপ্পদা লেপ্তুনা লৈরি। অতোপ্পা লৈবাক অমত্তনা য়ুক্রেনদা শীংনরকপা য়ারোই। য়ু এস অমসুং য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নসু য়ুক্রেনগীদমক্তা লেপ্তুনা লৈরি। য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেনসু য়ুক্রেনগীদমক্তা অঙম্বা মতেং পাংগনি হায়না লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট জেলেন্সকিদা খঙহনখিবগা লোয়ননা রুসিয়ানা য়ুক্রেনগী নোংপোকথংবা শরুক্তা চথরিবা অহেনবা থবক থৌওংশিং অদু ঙাকথোক্লবগীদমক য়ুরোপতা লৈরিবা য়ু এস এয়র ফোর্সতা খঙহনখ্রে।

অমরোমদা মোস্কোদা চহী ৫ রোমদা ঙাইরিবা অঙাং অমা য়ুক্রেনিয়ন ফোর্সনা হাৎখি হায়বা ৱাফম য়ুক্রেন ওথোরিটিনা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

# রামজান মনুংদা কোভিদ ভেক্সিনেট তৌরবা মীওইশিং মকাদা লাই খুরুম্বা য়াগনি: সাওদি



মকা, এপ্রিল ০৬ (এজেন্সী) :
ইস্লাম লাইনিং চৎপশিংগী ওইনা অচৌবা চৎনবী অমা ওইরিবা রামজ ান মতমগী মনুংদা কোভিদ-১৯ গী ভেক্সিন কাপথোকখ্রবা মীওইশিং অমদি কোভিদ-১৯ না নারুবদগী মপুং ফানা রিকোভর তৌবা ঙমখ্রবা মীওইশিংদি মকাদা লাকপা য়াগনি হায়না সাওদি ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা হজ অমসুং উম্রা মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখিবদা মালেম পুম্বদা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎনা মকা সিটিদা লৈরিবা শেংলবা গ্রান্দ মোস্কশিংদা চৈথেং পীরক্তনবা ফিরেপ অসি লৌখিবনি। সাওদি অরদিয়াদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীওই ৩,৯৩,০০০ কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎনা শোকহনখিবগা লোয়ননা মদুগী মনুংদা মীওই ৬,৭০০ দি কোভিদ-১৯ না মরম ওইরগা শিহনখ্রে।

মীওই মিল্লিয়ন ৩৪ হেন্না লৈরিবা লৈবাক অদুদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা কোরোনা ভাইরস ভেক্সিন দোজ মিল্লিয়ন ৫ দগী হেন্না ফংবা ঙমদ্রি। মমাং চহীগী জুলাই থাদসু মকাদা মীয়াম পুনবদা অথিংবা থমখি।

সাওদি অরবিয়াগী ওইনা মখাদা লৈরিবা গ্রান্দ মোস্কতা মীওই লীশিং ১০ দগী হেন্না পুলহনখিদে। মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা লৈরিবা ইস্লাম লাইনিং চৎপশিংগী পান্দমদি মকাদা অমুক্তং চত্তুনা লাই খুরুম্বনি অদুবু কোরোনা ভাইরসনা মরম ওইরগা অথিংবা খরা তঙাইফদনা থমজিনখিবনি হায়রি।

# ইজরেলি ট্রুপশিংনা পেলিষ্টিনিয়ন দ্রাইভর অমা কাপ্তুনা হাৎখ্রে

ৱেষ্ট বেঙ্ক, এপ্রিল ০৬ (এজেন্সী) :
ৱেষ্ট বেঙ্কতা লৈবা চ্যেক পোইন্ট অমদা ইজরেলি লান্মীশিংনা কার থৌদুনা লাকখিবা পেলিষ্টিনিয়ন দ্রাইভর অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবগা লোয়ননা দ্রাইভর অদুগা তোংমিন্নরকপা মহাক্কী লোয়নবীসু অশোক অপন নংহনখ্রে হায়রি।

থৌদোক অদুগা মরী লৈননা লৈখিদ্রবা দ্রাইভর অদুগী লোয়নবী সুমায়া মনসোরনা ফোঙদোকখিবদা মহাক অমদি মহাক্কী মপুরোইবনা কার থৌদুনা লাকপদা ইজরেলি ট্রুপশিং অদুনা গাড়ী খাম্নবা খঙহল্লকখি। মদুগী মতুং মখোয় গাড়ী খাল্লগা ষ্টার্ট মুখৎখি। মতমদুদা ইজরেলি ট্রুপশিং চঙশিল্লক্লগা গাড়ীগী অকোয়বদা য়েংলল্লগা মখোয়বু চৎখিনবা সাইন তৌরকখি।

ট্রুপশিং অদুনা চৎখিবা য়াবগী অয়াবা পীরক্লবনিনা মখোয়সু গাড়ী ষ্টার্ট তৌরদুনা থৌবা হৌখি। মখোয়না গাড়ী থৌবা হৌগৎলকপদা খঙহৌদনা ইজরেল ট্রুপশিং অদুনা মখোয় তম্না নোংমৈ কাপশিল্লকখিবনি হায়রি।

থৌদোক অদুগা মরী লৈননা বিদু ভিলেজকী মেয়র সলেম ইদনা ফোঙদোকখিবদা কা হেনবা ইজরেলি ট্রুপশিংগী থৌওং অদুগী মতাংদা ইন্তরনেস্নেল ক্রিমিনেল কোর্টতা ৱাকৎলগনি। ইজরেলি ট্রুপশিংনা মরাল লৈজদ্রবা পেলেষ্টিনিয়ন কয়া হাৎপগী থবক চথুরি। মদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মীয়াম্না ওল্লিঙৈ মতমদসু খোঙজং কয়া চঙশিনখিবা লৈখ্রে হায়রি।

অমরোমদা ইজরেলি মিলিটরিনা ফোঙদোকখিবদা কার অদু মখোয়না খাম্নবা হায়রুবদা খামদনা মিলিটরিশিং তম্না থৌজিল্লকখি। মদুদা তঙাইফদনা নোংমৈ কাপ্তুনা কার অদু খাম্নবা হোৎনখিবনি। কার অদুদা লৈখিদ্রবা ওসামা মনসোরগী নুপী য়াওরি হায়বা মিলিটরিশিংনা খঙখিদে।

থৌদোক অদুদা নোংমৈ মরুনা পান্দুনা শোকখ্রবী নুপী অদুগীদমক্তদি ইজরেলি ট্রুপশিংনা নুংঙাইতবা পোকই। অদুবু নুপা অদুনা অতম্নমা ইজরেলি ট্রুপশিং তম্না গাড়ী থৌজিন্নবা হোৎনরকখিবা অদুনা মরম ওইরগা লাইবথিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি। কোর্টনসু থৌদোক অদুগী মতাংদা নুপী অদুগী মচিন হংবা য়াগনি হায়রি।

# ইষ্টর টেরর এটেক্কী মাষ্টর মাইন্দ মশক খঙবা ঙমখ্রে: মিনিষ্টর

কলম্বো, এপ্রিল ০৬ (এজেন্সী) :
হৌখিবা কুমজা ২০১৯ দা শ্রীলঙ্কাদা লৈবা চর্চ অহুম অমদি লকজরি হোটেলশিংদা সুস্বাইদ বোম্বর ৯ না এটেক চথুদুনা মীওই ২৭০ হাৎখিবগী থৌদোক অদুদা মাষ্টর মাইন্দ ওইখিবা মীওই মশক খঙবা ঙম্লে হায়না শ্রীলঙ্কাগী মিনিষ্টর অমনা ফোঙদোরক্লি।

ইষ্টর সন্দে নুমিত্তা চথুখিবা সুস্বাইদ বোম্বর এটেক অদুদা ইন্দিয়া মচা ১১ য়াওনা পুন্না মীওই ২৭০ শিখিবনি। আই এস আই এসকা মরী লৈনবা লোকেল ইস্লামিষ্ট গ্রুপ নেস্নেল থোৱিদ জমট (এন দি জে) গী সুস্বাইদ বোম্বর ৯ না এটেক অদু চথুখিবনি৷ এটেক অদু চথুখ্রবা মতুং শ্রীলঙ্কান পুলিসনা ফাজিন্দুনা থমখিবা রেদিকেল ক্লারিকশিংগী মনুংদা এটেক অদুগী মাষ্টর মাইন্দ য়াওই হায়বা খঙলকখিবনি।

হৌজিক হৌজিক শ্রীলঙ্কান পুলিসনা ফাজিন্দুনা থম্লিবা রেদিকেল ক্লারিক নাওফম মৌলাভিনা ইষ্টর সন্দেগী এটেক অদু মাষ্টর মাইন্দ তৌখিবনি হায়বা চপ চানা খঙবা ঙম্লে হায়না মিনিষ্টর ওফ পব্লিক সেক্যুরিটি সরত ৱিরাসেকেরানা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা নাওফরনা শীন্দুনা চথুখিবা এটেক অদুদা হাজুর অকবর কৌবা মীওই অমনা চাওনা মতেং পাংখি। থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং মীওই ৩২ মর্দর এন্দ কন্সপিরেন্সি টু মর্দরগী চার্জ তৌদুনা পুলিসনা ফাজিন্দুনা থম্লি। অদুগা অতোপ্পা ৭৫ অমসু ৱাহং পাউহং তৌনবগীদমক পুলিসনা দিটেন তৌদুনা থম্লি। হৌজিক হৌজিক পুলিস কষ্টদিদা চিংনবা মীওই ২১১ লৈরি।

থৌদোক অদুনা শ্রীলঙ্কাগী গভর্ণমেন্টতা অচৌবা চৈথেং পীখিবগা লোয়ননা মতমদুগী ওপোজিসনদা লৈখিবা পার্টিশিংনা প্রসিদেন্ট মাইথিরপলা অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর রানিল ৱিকরমেসিংহেনা চেকশিনদবদগী থৌদোক অদু থোকহনখিবনি হায়না মরাল শীরদুনা লাকখিবনি। শ্রীসিনহানা মহাক্কী মতমদা থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিন্নবগীদমক প্রসিদেন্সিএল পেনেল অমা শেমদুনা মথৌ তৌবা হৌহনখিবনি।

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR, IMPHAL

No.MU/9-1/1/21(C)
Date: 27-03-2021

**NEWLY RESCHEDULED PROGRAMMES FOR THE BA/BSC/BCOM/ BFT/BSW/BTT 5TH SEMESTER EXAMINATION, 2020(NOVEMBER)**

| Date & Day | HONOURS/GENERAL | GENERAL |
|---|---|---|
| | 9 am to 12 pm | 1 pm to 4 pm |
| 19-04-2021 Monday | Honours Paper- V(H-505): Ant/Bch/Bot/Chm/CSc/Geg/Gel/HSc/Mat/ Phy/Sta/Zoo/Eco/Edn/Eng/Hin/Hist/Man/ Phi/PSc/PEd/Ben/Elt/DSt/EvSc/Soc/Com/HR Chemistry-V(G-505)/English-V(G-505) | Anthropology-V(G-505) |
| 20-04-2021 Tuesday | Geography-V(G-505) | Physics-V(G-505)/Political Science-V (G-505)/BTT-501/BSW-501/BFT-501 |
| 21-04-2021 Wednesday | Honours Paper-VI(H-506): Ant/Bch/Bot/Chm/CSc/Geg/Gel/HSc/Mat/ Phy/Sta/Zoo/Eco/Edn/Eng/Hin/Hist/Man/Phi/ PSc/PEd/Ben/Elt/DSt/EvSc/Soc/Com/HR Botany-V(G-505)/Philosophy-V(G-505)/ Statistics-V(G-505) | Economics-V(G-505)/BTT-502/ BSW-502/BFT-502 |
| 22-04-2021 Thursday | Mathematics-V(G-505)/Hindi-V(G-505) | Computer Science-V(G-505)/ Sociology-V(G-505) |
| 24-04-2021 Saturday | Zoology-V(G-505)/Manipuri-V(G-505) | Education-V(G-505)/BTT-503/BFT-503 |
| 26-04-2021 Monday | Honours Paper-VII(H-507): Chm/Mat/Eco/Edn/Eng/Hin/Hist/Man/Phi/ PSc/Ben/DSt/Soc/Com/HR | Geology-V(G-505)/BTT-504/BFT-504 History-V(G-505) |

N.B. *The practical examinations shall be conducted after the completion of the examination of theory papers.*

**Sd/- Prof. Ng. Nimai Singh**
*Controller of Examination (i/c)*

*HL/B/6906/07*

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR, IMPHAL

No.MU/9-1/1/21(C)
Date: 27-03-2021

**NEWLY RESCHEDULED PROGRAMMES FOR THE BA/BSC/BCOM/ BFT/BSW/BTT 1ST & 3RD SEMESTERS EXAMINATIONS, 2020(NOVEMBER)**

| Date & Day | 1ST SEMESTER | 3RD SEMESTER |
|---|---|---|
| | 9 am to 12 pm | 1 pm to 4 pm |
| 28-04-2021 Wednesday | Home Science-I(101)/Health Education-I(101)/ Environmental Science-I(101) | Regional Development (NE)/ Fundamentals of Computer |
| 29-04-2021 Thursday | Physics-I(101)/Political Science-I(101)/ BTT-101/BSW-101/BFT-101 | Chemistry-III(303)/English-III(303) |
| 30-04-2021 Friday | Anthropology-I(101)/Physical Education- I(101) | Physics-III(303)/Political Science-III(303)/ Com.E1(303)-Commercial Laws |
| 03-05-2021 Monday | Computer Science-I(101)/Sociology-I(101)/ Commerce-E1(101)(Business Communication) | Sociology-III(303)/Computer Science-III(303)/Bengali-III(303) |
| 04-05-2021 Tuesday | General English-I(101)/MIL-I(101)/ (Arts/Science/Com) | Geography-III(303)/Electronics-III(303)/ Com.E2(303)-Business Mathematics & Statistics |
| 05-05-2021 Wednesday | Economics-I(101)/Defence Studies-I(101)/ BTT-102/BSW-102/BFT-102 | Economics-III(303)/Defence Studies-III(303)/Health Education-III(303) |
| 06-05-2021 Thursday | Commerce-E2(101)(Financial Accounting)/ Human Rights-I(101)/ Biochemistry-I (101)/Philosophy-I(101)/Psychology-I(101) | Home Science-III(303)/BTT-301/BSW-301/BFT-301 |
| 07-05-2021 Friday | Education-I(101)/BTT-103/BFT-103 | Physical Education-III(303)/ Anthropology-III(303)/Com.E3(303)-Management Accounting |
| 10-05-2021 Monday | Chemistry-I(101)/English-I(101) | Geology-III(303)/Education-III(303) |
| 11-05-2021 Tuesday | Geology-I(101)/Sports-I(103)/BTT-104/ BFT-104/History-I(101) | Statistics-III(303)/Sports-III(303)/BTT-302/BSW-302/BFT-302/Human Rights-III(303) |
| 12-05-2021 Wednesday | Botany-I(101)/ Statistics-I(101)/Bengali-I(101) | Botany-III(303)/Philosophy-III(303) |
| 13-05-2021 Thursday | Geography-I(101)/Electronics-I(101)/ Commerce-E3(101)(Business Economics & Environment) | Mathematics-III(303)/Hindi-III(303)/ BTT-303/BSW-303/BFT-303 |
| 15-05-2021 Saturday | Zoology-I(101)/Manipuri-I(101)/Mizo-I(101) | Zoology-III(303)/Manipuri-III(303)/ Mizo-III(303) |
| 17-05-2021 Monday | Mathematics-I(101)/Hindi-I(101) | History-III(303)/Biochemistry-III(303)/ BTT-304/BFT-304/Environmental Science-III(303) |

N.B. *The practical examinations shall be conducted after the completion of the examination of theory papers.*

**Sd/- Prof. Ng. Nimai Singh**
*Controller of Examination (i/c)*

*HL/B/6906/07*